# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ মধুমতি


– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ




মণিপুরদা য়াম্না মমিং চৎপা পাম্বীশিংগী মনুংদা মধুমতি পাম্বী অসিসু অমনি হায়না লৌবা য়াই। বোটানিকেল সর্ভেগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মধুমতি পাম্বী মখল ২ ফংই। মখোয়শিং অদুদি (ক) লোনিশেরা গ্লাব্রাতা (Lonicera glabrata Wallich in Roxb.) অমসুং (খ) লোনিশেরা মেক্রান্থা (Lonicera macrantha (D. Don) Spreng অসিনি। অদুম ওইনমক পাউদমশিংগী মতুং ইন্না মধুমতি পাম্বী অসি চাইনা, জপান অমসুং কোরিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পীরি। ঐখোয়গী লমদমদগী মধুমতি পাম্বী অসি হৌরকখিবরা নৎত্রগা মপানলোমদগী পুশিল্লক্তুনা থাখিবরা, করিগুম্বা পুশিল্লক্তুনা থাখিবা ওইরবদি করম্বা মতমদা পুশিল্লকখিবগে হায়বগী চপ চাবা পাউদম ফংবা ঙমদে। মধুমতি পাম্বী অসি ঐখোয়না য়ুমগী অকোয়বা অমসুং গার্দেনশিংদা য়াম্না পাম্না থানবা পাম্বী অমদি ওইরি। পাম্নবগী মরুওইবা মরমদি পাম্বী অসি মতম পুম্নমক্তা শংত্রিক শংনা মরী চৎপা মনা য়াম্না পুঙনা হৌদুনা শেমনীংবা মওংদা শেম্বা য়াবা অদুগা অতোপ্পা অমনা পাম্বী অসি অঙৌবা নৎত্রগা চন্দোন মচু চংতক তৌবা লৈশিং অদু মপূং ফানা শাৎপা মতমদা অয়েংশিংগী পূক্নিং শুমহৎপা ঙম্বগী মথক্তা য়াম্না মেঙনা নুংশিবা লৈনমশিং চেনবা অসিনি। হায়রিবা নুংশিবা লৈনম চেনবা লৈশিং অসি নুপীশিংনা য়াম্না পামজনা শমজিদা চিন্নে অমসুং লাইদসু কৎনৈ।

ময়াম্না য়াম্না পাম্না থানরিবা মধুমতি পাম্বী অসি ইংলিসতা জপানিজ হনিসকল (Japanese Heneysuckle) নৎত্রগা চাইনিজ হনিসকল (Chinese honeysuckle) নৎত্রগা গোল্ডন এন্দ - সিলভর হনিসকল (Golden-and-Silver noneysuckle), চাইনিজদা জিন য়িন হুৱা (Jin Yin Hua) নৎত্রগা রেন দোঙ (Ren dong), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *লোনিশেরা জেপোনিকা* (*Lonicera japonica Thunb.*) নৎত্রগা *লোনিশেরা চাইনেন্সিস* (*Lonicera chinensis P. Watson*) নৎত্রগা *লোনিশেরা শিন্তেনেন্সিস* (*Lonicera Shintenensis Hayata*) নৎত্রগা *কেপ্রিফোলিয়ম জেপোনিকম* (*Caprifolium japonicum (Thunb.) Dum Cours*) নৎত্রগা *নিন্তুৱা জেপোনিকা* (*Nintooa japonica Thunb.*) হায়না কৌই অমসুং *কেপ্রিফোলিয়েসী* (*Caprifoliaceae*) হায়বদি ৱারক কবোকলৈ - শুম্বাকস জাভানিকা পাম্বীগী শাগৈদা চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না মধুমতি পাম্বীদা য়াওবা কম্পাউন্দশিং নৎত্রগা মচলশিং অদুদি - Methyl caffeate, 3,4-di-O-Caffeoylquinic acid, Protocatechuic acid, Methyl Chlorogenic acid, Protochatechic acid, Luteolin, Phenolic compounds (Hyperoside অমসুং Caffeic acid) অমসুং Loniceracetalides A & B হায়রিবা Secoiridoid glycosides অসিনচিংবনি।

মধুমতি পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। পাউদমশিংগী মতুংইন্না মধুমতি পাম্বী মখল লোইনমক মীওইবনা য়াদ্রবসু স্পিসিস মখল খরদি মীওইবনা চানৈ। চাবা য়াবা মরুওইবা মধুমতি পাম্বী মখল খরা অদুদি (ক) লোনিশেরা জেপোনিকা (Lonicera Japonica) (খ) লোনিশেরা পেরিক্লাইমেনম (Lonicera periclymenum অমসুং (গ) লোনিশেরা সিলিওসা (Lonicera ciliosa) অসিনচিংবনি। হায়রিবা মখলশিং অসিগী লৈশিং অদু মীওইবনা চা লোন্দুনা থক্লে। শেম্বগী মওংদি মধুমতিগী অকংবা লৈ অদু চমচ অমা লৌরগা কপ অমদা অশৌবা ঈশিং অদু হৈরগা মিনট ৩-৫ রোম থম্লগা চুমথোক্লগা থকপা য়ারে। অদুম ওইনমক মধুমতি পাম্বীগী মনা অমসুং মখোক অদুদি চাবদা হকচাংদা অমাং-অতা থোকহনবা য়াবগী ওইথোকপশিং পল্লি। মরমদি পাম্বীদা সেপোনিন অসি চাং য়াম্না য়াওই। মধুমতি পাম্বীগী লৈদা য়াওবা থাও অসি নেরোলি ইসেন্সিয়ল ওইল (Neroli essential oil) গা মনম মান্নবা মরম্না হকচাংদা কাপ্পবা পর্ফ্যুম অমা ওইনা য়াম্না পাম্না শীজিন্নে। হায়রিবা থাও অদু সাপোন অমসুং অকে-অমৌগী পোৎশিং শাবদা শীজিন্নে। মফম খরদদি মধুমতি পাম্বীগী লৈগা য়ুবী মহীগা তকখায়রগা য়াম্না হাওবা মখলগী থক্নবা মহী অমা শেম্নে।

মধুমতি পাম্বী অসি মীওইবগী অনা লায়েং মখল কয়ামরুমদা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। চাইনাগী অনা-লায়েং পথাপ্তা মধুমতি পাম্বী অসি থবোম্বী, চাকখাও অমসুং থীবোং-থীরিলগী অনাবশিং লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। মধুমতি পাম্বীগী লৈ অদু তকখায়রগা খোইহীগা তোৎনরগা শেম্বা মচল অদু পীজদুনা চাকখাও চাথৎপা, অরুম-লাইহৌ তৌবা অসি লায়েংনৈ। হায়রিবা অশেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা উনশাগী লায়না মখল খরা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। মধুমতি পাম্বীগী লৈ অমসুং খোইহীগা শেম্বা মহী অদু পীথকপদা মীওইবগী হকচাং মনুংদা হু কাবা অদু মপূং ফানা চিংথোকপা ঙম্বগী মথক্তা অরুম-লাইহৌ তৌবা অদুদসু থোইদোক্লা কান্নহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না কন্না অরুম-লাইহৌ তৌরবদি মধুমতি পাম্বীগী মপাল অদু ফজনা শুগাইরগা লৌবা অনংবা মহী অদুনা লাইবক অমদি হকচাংদা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। মধুমতি পাম্বীগী লৈ অসি মীওইবগী তোংশা কায়বা, উনশা ঙাংশং ঙাংনা মথা-মথা পোমখৎপা অসিদসু লৈগী পাম্বী শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংনৈ। য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না মধুমতি পাম্বীগী লৈ অদু তকখায়দুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈবদা অর্থ্রাইটিস হায়না খঙনবা তাং চাউথোক্তুনা চিকপা-নাবা তৌবা অদুদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী।

অতোপ্পা বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না মধুমতি পাম্বীগী লৈ অসি দাইবেটিস টাইপ টু (Type 2 Diabetes) হায়না খঙনবা ঈশিং পুকচৎপা মখল অসি ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বসিনি। উচিদা চাংয়েং তৌদুনা উৎখরে। মধুমতি পাম্বীগী লৈ অদু ঈশিংদা লোন্দুনা শেম্বা মহী অদুনা তেংথোকপদা চীন-লৈদা চাথৎপা অমদি খৌনাওদা লৈবা মহীক-মতাংশিং মরুওইনা বেক্টিরিয়াশিং ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাউদমশিং লৈ। মীয়াম্না য়াম্না কিনবা স্বাইন ফ্লু (Swine Flu) হায়না খঙনবা লায়না অসিদসু মধুমতি পাম্বীগী লৈ অসিনা কান্নবা পীবগী পাউদমসু ঐখোয়না থেংনৈ। ●

# মণিপুর পোনি - ইমাদি ঙকশম য়ৌরে


- শমুলাইলাৎপম রিসিকুমার শর্ম্মা -


মণিপুরী পোনি হায়রগা মৈতৈ শগোলবু খঙনৈ। তাঙলবা শগোল ব্রীদ মখল অসিগী তোপ তোপ্পা মগুন কয়া য়াওবনা মালেমদা হায়নরি লানগী শগোলনি হায়না। মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ক্রোনিকল বুক অমা ওইরিবা চৈথারোল কুম্বাবগী মতুংইন্না ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী মদুদি মৈদিংঙু ক্যাম্বা নিংথৌগী মতম (১৪৬৭-১৫০৮) কী মতুংইন্না শাদা-লান্দা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্লি। অসিদসু নত্তনা ১৬০০দা মণিপুরগী খোর্জৈরোনগী শরুক কয়াদা মৈতৈ শগোল লাম্মীগী ওইনা লানগীদমক্তা খূৎচাবী শা অমা ওইনা শীজিন্নরম্লি।

মপূং ওইনা মৈতৈ শগোল লাম্মীনা লান ঔরাইবা হায়বদি হৌজিক হৌজিক মালেমনা খঙনরিবা মোর্দন পোলোগী হৌরকফম ওইরিবা শগোল কাংজৈ অসিবুনি। থোইদোক হেন্দোক্লা মতিক মথৌনা লৈরবা শা অসিগী মতেংনা মৈতৈ শগোল লাম্মীবু অপ্পর বর্ম্মাদা ঙসিফাওবা কিনরিবনি।

অমুকসু চৈথারোল কুম্বাবদা ময়েক শেংনা পল্লম্লি "ক্যাংলমদমদা শগোল অঙৌবা তোংদুনা থৌনা লৈনা খূৎশু থাঙলেন শত্তুনা অকিবগী শক্লোন লৌদুনা নিংথৌনা শমজোক লানফমদা লাম্থেংনখি"। নিংথৌ অদু অতৈ কনানসু নত্তে ১৬০৭তা শাংলবা চীংশাং কয়া লান্দুনা নোংচুপ পাংনা লৈরিবা নিংথি তুরেল (চিন্দৱিন রিভর) লন্দুনা ক্যাংখম্পাৎপু য়ৌনা মতিক ময়াই উৎলম্বা মৈদিংঙু খাগেম্বা নিংথৌবুনি। মতম অদুদগী হৌনা অঙৌবা মচুগী শগোল অসি লাইগী মতিক ময়াই চেল্লি হায়না লৌনদুনা ঙসি ফাওবদা উমং লাই হরাউবগী লাই লৌখৎপদা শগোল অঙৌবা শীজিন্নদুনা লাক্লি।

কোন্নথংদা অসিগুম্লবা মৈতৈ শগোল লাম্মীগী হৈশিংবা অমদি মতিক ময়াই কয়া অসিনা অভাগী নিংথৌরেল ওইরিবা অলাংপয়ানা মৈতৈ শগোল লাম্মী শেমগৎনীংবা পূক্নিংদা ফাওরক্তুনা কুমজা ১৭৫৯দা অলাংপয়ানা লুচিংদুনা Burmese-Siames War দা মৈতৈ শগোল লাম্মী ২০০০ শেমগৎতুনা শীজিন্নখি। লাইবক থীবদি অলাংপয়া নিংথৌ ঙন্না শিখিবনা মরম ওইরগা লান অদু ঙন্না লোইশিনখি।

মণিপুরবু ঙসি মালেমদা শক্তাক্তুনা লাক্লিবা মণিপুরগী পোনি শগোল অসি ঙসিদি মলেমগী লৈমায়দগী খোঙ্গুল মুৎখিগদ্রা হায়বগী মীপাইনরিঙৈ চৈরক অসিদা শা অসিবু ঙাকপী শেনবীনবা লৈতবগী ঙসি ঙসি তাহৈদবা, উহৈদবা মওংদা লম্বীগী মতাইদা অমদি অমোৎ অকায় হুন্দোকফম কয়াদা প্লাষ্টিক অমদি অপূম অশা চারুবদগী শিবা, গাড়ীনা থোম্বদগী শিবা অসিদা নত্তনা কুম থা শুরবা মতমদা মচাদু লম্বী মপান্দা শিবদগী হেন্দোক্তুনা হাৎলগা চারম্বা ঙম্লকপগী তাঙ্কক ফাওবা য়ৌশিল্লকপা অসিনি। লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লসু শগোল অসিগী মরু ওইবা খঙবীরক্তবা অমদি শগোল অসি য়োকখৎপীনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপীদবনা মরম ওইরগা ঙসিগী উহৈদবা কয়া অসি উরকপনি। হৌখিবা চহী দিসেম্বর ২৮, ২০১৮দা হৌজিক হৌজিক পোলো শান্নবদা শীজিন্নরিবা লমদম অসিবু শক্তাকপদা চাউনা থৌদাং য়ারম্লবা পোনি অমা মমিংনা **'লোয়ালাকপা'** মীওই খরনা শাদোং ফক্তোক্লগা হাত্তোকপীদুনা য়ারল পাৎতা হুন্দোকপীরম্বা অসিনা ময়েক লারবা খুদম অমনি। হায়রিবা শগোল অসি মণিপুরদা শীজিন্নদুনা লাক্লিবা ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকপদা নত্তনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ইন্টরনেসনল পোলো টুর্নামেন্ট অসিদসু অরাম্বাই লাংবদা শীজিন্ননখিবা শানি অমদি মালেমগী থাক্তা কুমজা ২০১৯গী মে ১৯দা ন্যু য়োর্কতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা মকোক তাখ্রবা **"The Daughter of Polo God"** হায়রিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসিদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা শানি। শা অসিবু হাৎলগা চাবা ঙম্লক্লিবসিমক ঙসিগী খুন্নাইদা লমচৎ মাঙশিল্লক্লে হায়বগী ময়েক লারবা খুদমনি।

লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী হৌনা শগোল অসি চাননবা চিঙ্গাক অমা ওইনা শীজিন্নরক্তে। অদুবু লাইবক থীবদি য়াম্না হৈথোই শিংথোইরবা শগোল লোয়ালাকপবু য়াম্না মীনুংশি লৈতনা হাৎতোক্লগা চারম্লিবা মসিগীদমক ঙসিগী লৈঙাক্লা ঙাকপীবা ঙমহৌদ্রবা অমদি হৌজিকফাওবা খোঙ্গুল চপ চানা লীদুনা লোয়ালাকপা হাৎলগা চারম্লিবা মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদ্রিবসিমক লৈঙাক্কী ওইনা ইকায়নীংঙাইনি অমদি লৈবাক অসিগী লাইবক থীবনি। লমদম অসিবু য়েক্লবা কয়াগী মখূৎতগী কন্দুনা লাক্লিবা অমদি মনীং মখা তম্না সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা হাইনা হুম্না পাল্লকখিবা, মালেমগী পুৱারীদা চাউনা মফম অমা কল্লকখিবা অসি শা অসিগী মপালননি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মীশিং য়ামজদ্রবা ফুরুপ অসিবু ঙাক শেন্দুনা পাল্লকখিবা শা অসি ঙসিদি ঙাকপী শেনবীনবা লৈত্রে, শগোলগী মরুওইবা ঙসিগী মীরোলনা খঙলক্তবগী মমি চাউনা তারি।



পোনি ঙাক শেনবগী মীংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌওংশিং অসিসু মমিংতগী ওইবা থবক্তি য়াওদবা ওইনা তৌরি। লম্ফেলদা লৈরিবা ফর্ম অসিসু অঙকপা অমা ওইরি শগোলগী মতিক চাবা গ্রেজিং ফিল্ড লৈতে, নোং হেক তাবগা মফম অসিসু শগোলনা হিংবদা চাউনা খুদোং থীনীংঙাই ওইরি। মণিপুর লৈঙাক্লা লুপা ক্রোর ৩০গী অচৌবা শেনফম অমা কায়থোক্তুনা হৈঙাংদা পোনি সেঞ্চুরি শেমগৎলগসু মমিংতগী ওইবা শগোলবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী থৌরাং য়াওদ্রিবা অমা ওইরি। সেঞ্চুরি অসিদা ইকো-টুরিজম অমদি পোনি সেঞ্চুরিনি হায়রগসু মফম অসিদা শগোলগী লৈফম, মচিঙ্গাক পীজফম, শগোলগী খুদোং থীরোইদবা মফম অমদি ঙসিসু উবা ফংদ্রি। শগোল অয়াম্বদি হৌজিক লমজাও সরক্তা হিংননবগী মচিঙ্গাক থিবদা ৱারবা, মীগী ইঙ্খোল শম্বলদা চঙলুবগী কোয়তান তান্নবীবা অমদি নোংমা নোংমগী মশীং হন্থরকপনা মশরুক ওইরি। চহী মঙা/মঙা লৈরগা পাঙথোকপা লাইবষ্টোক সেন্সস ওফ ইন্দিয়াগী মতুংইন্না কুমজা ২০০৩দগী হৌরগা কুমজা ২০১২ ফাওবদা পোনি ১,৮৯৮তগী ১,০১১দমক ঙাইরে। চহী খুদিংগী ওইবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না ৪০ প্লসতা শগোল অসি শিজিল্লক্লি।

মণিপুরগী ওইনা শগোল কাংজৈ শান্নফম কাংজৈবুং অসি ৪৪ লৈরম্মী। অয়াম্বা মফম কয়াদি ঙসি মুৎখিবদগী খরখক্তমক মঙাইরে। ঙসিগী লৈঙাক্লা করিগী পোনি সেন্সস পুথোক্তবনো? মরুওইনা থৌবা য়ারিবা শগোল মশীং অসি মণিপুর পোনি সোসাইটিদা রেজিষ্টর তৌরিবা অসি ২১২ মুক্তনি অমদি মণিপুরগী ওইনা শগোল কাংজৈ শান্নফম কাংজৈবুং ৪৪ লৈরম্মী অদুবু ঙসিদি করম্বা কন্দিশন্দা লৈরে হায়বা ঐখোয় লোইনা খঙনরিবনি। মরুওইনা মমাঙঙৈদগী হৌনা ইম্ফাল এরিয়াদা কাংজৈবুং ৫ লৈরম্মী। অদুবু লাইবক থীবদি ঙসিদি কাংজৈবুং অনী অমদি মফম খঙখিদ্রে লেমহৌরিবা কাংজৈবুং হায়বা তারগদি **মনুং কাংজৈবুং, মপাল কাংজৈবুং** অমদি **হাপ্তা কাংজৈবুং** অসিদমক ঙাইহৌরি। মনুং কাংজৈবুংসু লৈঙাক্লা শানবা য়াহনবীদ্রে। হাপ্তা কাংজৈবুংসু মেলা গ্রাউন্দ ওইনা লৈথোকখ্রে খরা খরা শেমজিনবিরিবা হায়ববু পাওনা কৈথেলগী পোলো গ্রাউন্দ অসি মঙায়রে।

পোলোগী হৌরকফম শগোল কাংজৈগী হৌরকফমদা কাংজৈ শান্নফম, তম্ফম লৈরক্তবা হায়বসি লাইবক থীবনি। গ্রেজিং ফিল্ডসু লৈত্রবা শগোল লোয়জরিবা অমদি পোলো শান্নরোয়শিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী উৎলিবা থৌওং অসিমক য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি। ৱি গেব দি গেম পোলো হায়বা ফজবা ৱাহায় অসিনা পোনি অমদি শগোল কাংজৈবু কনবা ঙম্লোই। পোনি মুৎখ্রবদা পোলো হৌরকফম শগোল কাংজৈগী হৌরকফম অমনি হায়না চাউথোকচরুগদবা লৈবাক্কী ওইনা ইকায় ফিরুক খুম্লক্কনি।

লমদমসিদা পোনিগী মরুওইবা অমসুং লৌরম্বা থৌদাং করিনো হায়বসি ঙসিগী একাদেমিক সিলেবসতা হাপ্তুনা অমদি স্পোর্টসতা পুশিল্লক্তুনা তুংগী মীরোল অমদি মীয়ামদা খঙহল্লক্তবা লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন সিষ্টেমনা অমদি স্পোর্টসনা মসি মফম অমা পীবা ঙমদবা অসিমক লৈবাক মীয়ামগী ওইনা য়াম্না চাউনা লাইবক থীবা অমনি অমদি খ্বাইদগী অরানবা খোঙথাংনি, লমদম অসিগী পুৱারী অমদি আইদেন্টিটি মুখৎনবা হোৎনবনি।

লৈঙাক্লা পোনি সেঞ্চুরি অসিদা চহীদা পোনি হিংননবগীদমক পীরিবা বজেটনা সিনি হায়বা লৈতবা, কুমজা ২০১৬কী দিসেম্বর ২৩দা শেমখিব পোলিসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙমদবা অসিমক লাইবক থীবনি। অশিবা শগোলগী হকচাং অয়াম্বা পোষ্টমোর্টেম তৌবা মতমদা মবুক মনুংদা থৌরি, প্লাষ্টিক, কৌতানচিংবা য়াওরম্বা থৌদোক কয়া মমাঙদা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী থাদা লম্ফেলগী সুপর মার্কেট অদুৱাইদা শগোলগী অশিবা হকচাং অমা লৈরমখি। শিদুনা পৎল-পূম্লবা, হয়িং ইল্লফাওবদা লৌখৎপীদুনা ফুমজিনবীবা কনাসু থোক্লকখিদে। মার্কেট এরিয়াদা শগোল অমা শিরে হায়বা পাউদু য়াম্না লাপ্না দিল্লিদগী মেনকা গান্ধিনা ফোন তৌরক্তুনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা খঙহল্লকখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা চীফ সেক্রেটরিদগী মাহুদতা থাদরকখি। মতুংদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলদা খঙহল্লক্তুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালনা অশিবা, অপূম্বা শা অদু লৌখৎখি। থৌদোক অসিনা তাক্লিবসি করিনো হায়বদা লমদমসিদা পোনি করম-করম্বা ফীভমদা লৈ হায়বদু ময়েক শেংনা তাকচরবনি। দিল্লিদগী হায়রক্লগা য়াম্না কোয়না থৌরাং পায়খৎখিবা অসিনা তাক্লিবসি মণিপুর লৈঙাক্কী লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিংগী থবকসি দিল্লিনা স্বিচ মেৎলক্ত্রবদি তৌদ্রে তাকপনি।

চাইনাগী য়ুনান তম্না লান পাঙলকখিবা পোনি অসিবু ঐখোয়না কাউথোকপা হায়বসি ঐখোয়না ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং কাউথোকপগা চপ মান্নে হায়নমক লৌবা য়াই। জন্যুৱারী ৮ অমসুং ৯দা ঐখোয়না মহারাজ গম্ভির সিংহ, হেরাচন্দ্র অমদি নরসিংনচিংবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎলুবা হায়বসি মখোয়বু ইকায়বা পীবগা চপ মান্না থোকই। লৈবাক অসি খল্লকপদা অমদি ঙসিগী মণিপুর হায়না ঐখোয়না উবা ফংজরিবসি কনাগী মপালননো হায়বা ঙসিগী মীরোলনা খঙলক্তবা তারগদি ঐখোয়বু য়োকপীরকপা মী কাউথোকপীবা ওইনা থোকই।

অমরোমদা শা অসিগী খোঙ্গুল লৈমায়সিদগী মুৎখিগদ্রা হায়বগী মীপাইনরিঙৈ পোনি কন্নবগী খুদোংচাবা লৌরগা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা রিজনেল পোনি ফর্মগী মীংদা কুমজা ২০১০দগী ২০১৮ ফাওবগী অচৌবা বজেট কায়থোক্তুনা লৌথোক্লম্লিসিনি। নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী মখাদা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ২৪ লাপ্না লৈবা কুমজা ১৯৯০-৯১দা ইষ্টাব্লিশ তৌরগা প্রোজেক্ট ওফিসর অমা, ভেটিরিনরি ওফিসর অমা, য়ু দি সী অমা, এল দি সী অনী, ফর্ম মেনেজর অমা, এস কে অমা, এফ এ অহুম, দ্রাইভর অনী, এটেন্দেন্ট তরুক, চৌকিদার অমা অমদি মাষ্টরোল ৮ হাপ্তুনা চলাইরকখিবনি অদুবু লাইবক থীবদি প্রোজেক্ট অসি কুমজা ১৯৯৫দা কম্যুনেলগী ওইবা লান্দা মাষ্টরোলদা থবক তৌরিবা মীওই অমা নোংমৈনা কাপ্পদগী শিখি, ইকুই কুইদনা থাখরগী মমাঙদা তিঙ্কাই খুল্লেনগী খুলগী য়ূম অয়াম্বা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা মৈ থাদুনা তানবা হৌরকখি অমদি তিঙ্কাই খুনৌগী খুলদা তারিবা ময়াম্বু অথুবা মতমদা খুল থাদোক্লবা খঙহনখি। করিগুম্বা কান্দা তিঙ্কাই খুনৌদা লৈরিবা ফর্ম অসিগী ক্বার্টরদা কিহন খংহনবনচিংবা কয়া থোকখি। অসুম্না একর ৩০০ পাক চাউরবা ফর্ম অসি তপ্না তপ্না লোইশিনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকখি। অমরোমদা কুমজা ২০০২ দা ফর্ম অসিগী প্রোজেক্ট ওফিসরগী ফম মুন্নবদা প্রোজেক্ট অসি থুপখিনবগী অচৌবা মচাক অমসু ওইখিদবা নত্তে। তিঙ্কাই খুনৌগী পোনি ফর্মদা পোনি অমত্তা লৈত্রবসু পাউচেদা ফর্ম অসি হিংলম্বসিমক অঙকপা পোকই।

লৈঙাক্কী মফমদা থমজনীংলিবদি অথুবা মতমদা তিঙ্কাই খুনৌবু পাউচেদা হিংহন্দুনা হুরাল্লমবদা চেন্নবা মীওইশিং পুথোক্তুনা মীয়াম খঙনা চৈরাক পীগদবনি অমদি লোয়ালাকপা হাৎলগা চারম্বদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীগদবনি। মণিপুর পোনি কনবদা চঙগদবা থবকশিং মতম চানা পাঙথোক্কদবনি। পোনি পোলিসি মায় পাক্লা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক জোইন্ট ইনসিএটিভ মিজরশিং ইনিসিএট তৌনবা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি। ●

## মরোল থোকপা লাই

